**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 28-02-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজস্থানগী আজমিরদগী লৈবাক শিনবা থুংবদা চথুগদবা হ্যুমেন পেপিলোমা ভাইরস ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম হৌদোক্লগনি।

মণিপুরগী ওইনা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা জেনিমস হোস্পিতালদা হৌদোক্কনি।

২) বি.জে.পি মণিপুরগী ইনচার্জ অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. অজিৎ গোপাচারয়ানা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ অমদি কেবিনেট মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমগা উন্নখ্রে।

অমসুং

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজস্থান অমসুং গুজরাত্তা চত্তুনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং হৌদোক্কনি।

------

কেন্সরঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজস্থানগী আজমিরদগী লৈবাক শিনবা থুংবদা চথুগদবা হ্যুমেন পেপিলোমা ভাইরস (ঐচ.পি.ভি) ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম হৌদোক্লগনি।

কেন্দ্র সরকারগী মঙলান অমা ওইরিবা স্বাচতা নারি হেন্না চাওখৎহন্নবা অমদি নুপীশিংগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবগী পান্দম অদু য়েংলগা লৈবাক শিনবা থুংবদা প্রোগ্রাম অসি হৌদোক্কদবনি। প্রোগ্রাম অসিনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা লৈবা চহি ১৪ শুরবা নুপীমচা কোতি ১ লাখ ১৫

হিদাক কাপথোকবা পান্দম থল্লি। হিদাক অসি সরকারগী অনা লায়েংগী খুদোংচাবা ফংবা মফমশিংদা ফংহনগনি। হিদাকশিং অসি আয়ুসমান অরোগ্যা মন্দির, কম্ম্যুনিতি হেলথ সেন্তরশিং, সব-দিষ্ট্রিক্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালশিং, সরকারগী মেদিকেল কলেজ অমদি হোস্পিতালশিংদা ফংগনি।

সরভাইকেল কেন্সর অসি ভারত্তা নুপীশিংদা খ্বাইদগী নাগনবা অনিসুবা লায়না ওইরি। চহি অমদা অনৌবা কেস লাখ ১ লিশিং ২০ থেংনবগা লোয়ননা চহি অমদা লায়না অসিনা মীওই লিশিং ৪০ হেন্না শিহল্লি। ঐচ.পি.ভি ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম হৌদোকপগা লোয়ননা রুতিন ইম্ম্যুনাইজেসন প্রোগ্রামদা হাপচিনবা মালেমগী লৈবাক ১৬০ গী মনুংদা ভারতসু য়াওরগনি।

লৈবাক শিনবা থুংবদা প্রধান মন্ত্রিনা সরভাইকেল কেন্সরগী মায়োক্তা চৎথগদবা ঐচ.পি.ভি ভেক্সিনেসন কেম্পেন হৌদোকপগী থৌরম মণিপুরদসু পাক শন্না পাঙথোক্কনি। মপুং ওইবা থৌরম নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুর অমসুং রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী পোরোমপাৎতা লৈবা জেনিমস হোস্পিতালগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহ শরুক য়াগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা মুখ্য মন্ত্রিনা এম্বুলেন্সশিং লমথাগনি।

বিজেপি (এল)ঃ বি.জে.পি মণিপুরগী ইনচার্জ অমসুং রাজ্য সভাগী এম.পি. অজিৎ গোপাচারয়ানা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ অমদি কেবিনেট মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমগা উন্নখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা ঙরাং অথেংবদা উন্নখিবা অদুদা রাজ্য অসিদা দলগী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফমশিং খন্নখি হায়রি। লমদম অসিদা তুং কোইনা শান্তি লৈনবা অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা অমদি তংদু লৈতাবা লৈহন্দুনা চাওখৎ মাইকৈরোমদা চংশিন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি। অমরোমদা, শ্রী গোবিদাসকা উন্নবা অদুদা দলগী মপাঙ্গল কনখৎহনবগা লোয়ননা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী থবক পায়খৎনবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

পুলিস (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হৌখিবা মতম খরা অসিদা পামদবা থৌদোক থোকপগী পাউ লৈতে হায়রি। অদুমওইনমক, রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবগীদমক থি হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়- পাৎশোই পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা শঙাইথেল মখা লৈকাইদগী মেগজিন য়াওদবা শেমদোক্লবা থ্রি নোট থ্রি রাইফল অমা, লোকেল মেদ সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল মরি, বোম অহুম অমদি অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফংখি।

নুমিৎ অসিমক্তা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমদেং খুনৌ, শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা থোংজ্ পার্ট-টু মখা লৈকাই, থৌবাল জিলাগী মনুং চনবা হৈরোক পার্ট টু বজার লাইকোল লৈরক্তা প্রিপাক (প্রো)গী হকচিনবা মীওই অহুম ফাখি।

মণিপুর পুলিসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী কানন ভেংদগী নুপী অমা ফাগৎখি। মঙোনদা সাপোন কেপ মঙাদা হাপ্লম্বা হিরোইন পাউদর, দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎ কিলোগ্রাম মঙা মখায়রোম, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা ফংলে হায়রি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল এয়ারপোর্টতা মীওই অনিদগী হিরোইন কিলোগ্রাম মরি খরা হেন্না ফাগৎলে। মধ্য প্রদেশতগী মীওই অনি অসিনা হিরোইনশিং অদু পুরগা এরোপ্লেন তোংনবা হোৎনবদা ফাগৎখিবনি হায়রি। ফারবা মীওইশিং অমদি পোৎলমশিং এন.সি.বি ইম্ফালদা শিন্নখ্রে হায়রি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী শমুলমলান সব-দিভিজনগী লম একর ১০ রোমদা থারম্বা পোপ্পি পাম্বীশিং দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী মমাংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং য়াস্থৎতুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা খুমন লম্পাক্তগী প্রিপাক (প্রো)গী মীওই অমা ফাখি।

নুমিৎ অসিমক্তদা চুরাচান্দপুর জিলাগী থিংজাং খুলগী উমংদগী মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফোরতি সভেন রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অহুম, বোল্ট এক্সন সিঙ্গল বেরেল অমা, বোল্ট এক্সন স্নাইপ্পর রাইফল অমা, এস.এল.আর. মেগজিন অনি ফংলে হায়রি।

লো (এল)ঃ অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিং অমসুং ক্রাইম সাইন্স প্রিজার্ভেসন হায়বসিদা মীয়াম পুন্না খঙমিন্নবগী থোরম অমা থৌবাল পুলিসনা শিন্দুনা ঙরাং পাঙথোকখ্রে।

থৌবালগী বাবু বজারদা লৈবা ক্লব ১৮ গী অপুনবা লুপ মীতৈ কম্ম্যুনিতি জোইন্ট কোওর্দিনেতিং কমিতিগী ওফিসদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা থৌবাল পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং, কাউন্সিল্লরশিং, এফ.এস.এলগী এক্সপার্টশিং য়াওনা ক্লবকী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি রাজস্থানগী আজমিরদা চত্তুনা লুপা কোতি লিশিং ১৬,৬৮০ গী তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাগনি, খরগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং অদুগী মনুংদা অরবান দিভলপমেন্ট, ৱাটর সপ্লাই, লম্বী-থোং, ঈথৈ লৌখোং, ইনর্জি অমসুং উদ্যোগশিং চাওখৎহনবা য়াওরি।

প্রধান মন্ত্রিনা শঙ্গাগদবা নেসনেল হাইৱে প্রোজেক্টশিংগী মনুংদা- বান্দিকুই-জয়পুর শমগদবা লেন মরি লৈবা গ্রিন ফিল্ড এক্সপ্রেস, অমৃটসর- জামনাগর ইকোনোমিক কোরিদোরগী ৭ শুবা সেক্সনগী লেন ৬ লৈবা এসেস কন্ট্রোল গ্রিন হাইৱে অমসুং দিল্লি-বাদোদরা এসেস কন্ট্রোল গ্রিন ফিল্ড এক্সপ্রেসৱেগী ১৪ শুবা সেক্সনগী লেন ৮ লৈবা কেরিএজ ৱে য়াওরি। শ্রী মোদিনা জোধপুর সহরদা লেন মরি লৈবা ইলিভেতেদ রোড অমসুং বরন জিলাদা মালাৱা মোরি মানগ্রোর বরন ষ্টেট হাইৱেসু উরেপ উয়ুং তমগনি। নৌনা থবক চংলগদবা মীওই লিশিং ২১,৮০০ দসু এপ্পোইন্টমেন্ট লেটরশিং খুৎশিন্নগনি। শ্রী মোদিনা মীয়ামগী মীফম অমদসু ৱা ঙাংগনি।

মদুগী তুংদা শ্রী মোদিনা গুজরাত্তা চৎকনি। মহাকা ঙসি নুমিদাংৱাইরম সনান্ডদা লৈবা মাইক্রোন সেমি কন্দক্তর ইন্দিয়া প্রাইভেট লিমিতেদতা সেমি কন্দক্তর এসেমব্লি, টেষ্ট এন্দ পেকেজিং এ.টি.এম.পি ফেসিলিতি শঙ্গাগনি। মসিনা ভারতকী সেমি কন্দক্তর শেম শাবগী লমদা অনৌবা পন্দুপ অমা হাংদোকপা

ঙন্নগনি। তুংদা মফম অদুদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীতিন অমদসু শ্রী মোদিনা ৱা ঙাংগনি।

কোর্ট (এল)ঃ মণিপুর হাই কোর্ট লিংখৎখিবগী ১৩ শুবা কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা লেকচর সেরিজ ওন ক্রিমিনেল লোস হায়বা থৌরম অমা ঙসি হাই কোর্টকী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসি মণিপ্র হাই কোর্ট অমসুং মণিপুর জ্দিসিয়েল একাদমি অনিনা পুন্না শিনবনি। থৌরম অসিগী টেকিকেল সেসনদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ভারতকী অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিংগী মতাংদা ৱা ঙাংগনি।

নুপী (এল)ঃ ৱিমেন ইন সাইন্স-কেটালাইজিং ভিক্সিত ভারত হায়বা হিরমদা সাইন্স টিচর ফোরম মণিপুর অমসুং ইষ্টর্ন আইদিয়েল হাইস্কুলনা শিন্দুনা নেসনেল সাইন্স ডেগী ৪০ শুবা কুমওন থৌরম ঙসি ইষ্টর্ন আইদিয়েল হাইস্কুলদা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংগনি।

ইনভাইরোনমেন্ট (এল)ঃ নম্বুল তুরেলগী ঈশিংদা প্লাষ্টিকা অপনবা পীবা অমদি মীয়ামা মায়োকরিবা ঈশিংগী অৱাবা থেংননবা মহৌশাদগী চৎনরক্লবা ঈশিং য়োক্তুনা থম্বগী মতাংদা লমদম অসিগী পাউমীশিংগা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোক্লগনি।

দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জনা শিন্দুনা ইম্ফালগী ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দবাবু সিংহ অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট ক্লাইমেত চেঞ্জগী দাইরেক্তর ডাঃ টি. ব্রজাকুমার সিংহ শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা হোংলক্লিবা অঙৗং অশাগী খলনা পীরক্লিবা চৈথেং, মরুওইনা ঈশিংগী সমস্য অমসুং ইম্ফাল সহর ফাওদুনা চেল্লিবা নম্বুল তুরেলদা পাক্তকনা প্লাষ্টিক থাদরক্লিবা অসিগী মতাংদা রিছোর্স পার্সনশিংনা ৱা ঙাংগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইনা ফোংনরিবা পাউ খরা পনবা তারবদি অনৌবা সরকার শেমখিবগা লোয়ননা রাজ্য অসিদা শান্তি, তংদু লৈতাবা অমসুং চাওখৎপা পুরকবা থৌরাং কয়া পাখৎলকপগা মরী লৈনবা পাউশিং, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ভুপতি রাজ্ শ্রীনিবাস বরমানা রাজ্য অসিদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং য়েংশিনখিবগী পাউ অমসুং মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা থিজিল্লিবা কমিতিগী এক্সেপেন্সেস পীথোক্তবদা সুপ্রিম কোর্টকী মীৎয়েংগী মতাংদা ফোংবা পাউশিংনা ওইরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা মণিপুরগী ইরাংগী মতাংদা থিজিনবা, রিলিফকী থবকশিং য়েংশিনবা- চার্জসিটকী কোপি ভিক্তিমশিংগী ইমুংশিংদা য়ৌহল্লু- জর্জশিংগী পেনেলগী পীদনা লৈরম্বা ওনরেরিয়মগী শেনফম পীখিনবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হান্নগী সুপ্রিম কোর্টকী জজ ওইরম্বা বলবির সিংহ চৌহান্না মণিপুর ইরাংগী থিগৎলিবা পেন্নেলগী চেয়ারপার্সন ওইরগনি হায়বা পাউনা শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা রুল্লিং এম.এল.এশিং চাওখৎ থৌরাংদা মায় ওনশিন্নবা খঙহল্লকখ্রে হায়রি হায়বসিনা অহানবা পাউ ওইরি।

কেন্দ্রগী রাজ্য মন্ত্রি ভুপতি রাজ্ শ্রীনবাসনা নোনেদা পায়খৎলিবাা প্রোজেক্টশিং য়েংশিনখ্রে হায়না পিপলস ক্রোনিকল অমসুং মণিপুর মেলদা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি। তমেংলোংগী পাউচে গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমদসু পাউ অসি মরুওইবা পাউ ওইরি।

সনালৈবাক্কী অহানবা পাউদা- চাত্রিক খুলদা তাঙ্খুল নুপীশিংনা এ.আরশিং থৎতুনা চৎহনখিদ্রে হায়বা পাউ ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংগী অনিসুবা হেদলাইনদা ৱার ওন ড্রগস- ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতগী নোন-মণিপুরী অনি হিরোইন পাউদর কে.জি মরিগা কোন্না ফারে হায়না ফোংলি।

পাউ অসি হুইয়েন লানপাউদসু মরুওইবা পাউ ওইনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

সেনাপতিদা ফোংবা পাউচে হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা বি.জে.পিগী মীফম পাঙথোকখ্রে, বজেৎ সেসন মতুংদা কেবিনেট চাউথোক্লবা য়াই হায়বসিনা মরুওইবা পাউ ওইরি।

------